## পেসেঞ্জর ট্রাফিক থিংখ্রে

বিলিসি, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :

কোরোনাভাইরস লাইচৎ থিংনবা হোৎনরদুনা জোর্জিয়ানা লৈবাক অসিগী দোমেষ্টিক রেলৱেগী পেসেঞ্জর ট্রাফিক নিংথৌকাবা নুমিত্তগী থিংখ্রে।

গভর্নমেন্ট স্পোক্সমেন ইরাক্লি চিকোভানিনা ফোঙদোকখিবদা অথিংবা অদু ষ্টেট ওফ ইমজেন্সি চৎনগদবা এপ্রিল ২১ ফাওবা লৈগনি। মীওই মিলিয়ন ৩.৭ লৈবা সাউথ কোকেসসকী লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরসকী কেস ৫৪ দিটেক্ট তৌখ্রবনি। হৌজিক ফাওবদা মী শিবা লৈত্রি অমদি পেসেন্ট ৮ লায়েংবদা ফখ্রে।

## পাকিষ্টানদা ৮০০ হেল্লে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :

নিংথৌকাবা নুমিত্তা কেপিটেল ইস্লামাবাদতা অনৌবা কোরোনাভাইরস কেস মরি থেংনখিবগা লোয়ননা পাকিষ্টানগী অপুনবা ইনফেক্সন মশিং ৮০৩ দা হেনগৎখ্রে অমসুং হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা মীওই ৬ শিখ্রে।

নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ হেল্থকী মতুং ইন্না অনৌবা কেস ৪দুনা ইস্লামাবাদকী কোরোনাভাইরস কেস মশিং পুন্না ১৫ য়ৌহল্লে হায়না দোন ন্যুজনা ফোঙদোকখ্রে।

## য়ু এননা মালেমগী কোরোনাভাইরস ফন্দ শেম্লগনি



ওস্লো, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবা অমসুং মালেম পুম্বগী ওইনা পেসেন্টশিংগী ট্রিটমেন্টতা মতেং পাংনবগীদমক ফন্দ অমা শেম্লগনি হায়না নোরৱেনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ফন্দ অদুগী পান্দমদি হেল্থ সিষ্টেমদা অশোনবা লৈবা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংবু ক্রাইসিস অসি থেংনবা অমদি মসিনা তুংকোইনা থোকহনগদবা অৱা-অনাগী ফিভমশিং মায়োক্নবদা মতেং পাংবনি। হীরম অসিদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা চয়োল অসিদা হৌনবী মতুং ইন্না লাউথোক্লবা য়াই হায়না নোরৱেগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

ফন্দ অদু শেম্বগী ৱাফম হৌদোকখিবা নোরৱেনা কুমজা ২০১৪কী য়ুনাটেদ নেসন্স ইবোলা রেস্পোন্স ফন্দগা মান্নবা ইনিসেটিভ অদুগীদমক্তা শেল কয়া য়াম্না পুথোক্কদগে হায়বদুদি ফোঙদোকখিদে। মালেমগী লৈবাকশিংনা মরু ওইনা খ্বাইদগী লায়রবা লৈবাকশিংনা তৌরকপা দিমান্দশিং ঐখোয়না য়ারিবমখৈ থুংহনবা ঙম্নবা ঐখোয় মশেল মোৎ অমত্তা ওইনা খুৎশম্নদুনা য়াম্না ঙন্না অসিগুম্বা খোঙথাং অমা শোয়দনা লৌখৎপা পাম্মী হায়না ফোরেন মিনিষ্টর ইনে ইরিক্সেন সোরিদেনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

এজেন্সি অমগী টেলিগী মতুং ইন্না মালেম পুম্বগী ওইনা হৌজিক কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন ৩৪০,০০০ লোম শুরে অমসুং লায়না-লাইচৎ অসিদা শিখিবা মী মশিংনা ১৪,৫০০ হেনখ্রে। ইনফেক্সন অমসুং অশিবা মশিং লায়না অসি শন্দোকপা হৌখিবা চাইনাদগী ইটালিনা হেনখ্রবনি।

অফ্রিকাগী গভর্নমেন্ট কয়ানা লায়না-লাইচৎ অসিবু থিংনবা হোৎনবা য়াবা কয়া হোৎনদুনা লৈদুনসু কন্টিনেন্ট অসিগী এঙ্গোলা, ইরিত্রিয়া অমসুং য়ুগান্দাদা কোরোনাভাইরসকী অহানবা কেসশিং কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা মাওরিসস্তা মীওই অমা শিখ্রে। মিদল ইষ্টতা নোংমাইজিং নুমিত্তা মী কুংনা তারিবা গজা ষ্ট্রিপতা কোরোনাভাইরসকী কেস অনী কনফার্ম তৌখ্রবনি।

শগোলশেল নুমিত্তা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেসনা ইনাক খুনবা লৈবাকশিংদা মখোয়গী সিটিজনশিংদমক খনবদা নত্তনা ক্রাইসিস অসি থেংননবগীদমক্তা শেম শাবা ইঙম ঙম্নদবা লৈবাকশিংদসু মতেং পাংনবা আপিল তৌখিবনি।

## ন্যু য়োর্ক ষ্টেটনা টেম্পররি হোস্পিটালশিং শারগনি



ন্যু য়োর্ক, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :

মফম শীন-থুংনা শরা শলক্লবা কোরোনাভাইরস লাইচৎনা পীরক্কদৌরিবা কেপাসিটি ইশ্যুশিংগী য়েংদুনা য়ু এসকী ন্যু য়োর্ক ষ্টেটনা মতম খরা শীজিন্ননবা হোস্পিটাল মরি শারগনি হায়না ষ্টেট অসিগী গভর্নর অন্দ্রু কুমোনা ফোঙদোকখ্রে।

টেম্পরেরি হোস্পিটালশিং অদুগীদমক্তা খনগৎলবা ফমশিংগী লিষ্ট অদুদা মেনহাটানগী জেকোব কে জাভিটস কনভেন্সন সেন্টর, ৱেষ্টচেষ্টর কাউন্টি সেন্টর অমা অমসুং ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি ওফ ন্যু য়োর্ককী ষ্টোনি ব্রুক কেম্পসকী মফম খরা অমসুং ওল্ড ৱেষ্টবেরি কেম্পসনি হায়না সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদেকখি।

কুনমোনা ন্যু য়োর্কতা মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি মদুদি, য়ু এসতা কোরোনাভাইরস লাইচৎকী ইপিসেন্টরনি হায়না লৌনরিবা ষ্টেট অসিনা আর্মি কোর ওফ এঞ্জিনিয়রসকা খুৎশম্নদুনা টেম্পররি মেদিকেল ফেসিলিটিশিং ওন্থোকপা য়াগদবা মফমশিং থিরি।

ষ্টেট অদুগী হোস্পিটালশিংদগী অৱাৎ-অপা কয়া দিমান্দ তৌরকপা লৈরে হায়না পল্লদুনা গভর্নর জ্যাভিটসনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পতা প্রাইভেট কম্পনিশিংবু তঙাইফদনা চঙগদবা মেদিকেল ইক্বিপমেন্ট শাহন্নবগী মেন্দেট ওইবা য়াবা দিফেন্স প্রদক্সন এক্ট ইমপ্লিমেন্ট তৌনবসু তকশিনখি।

## ট্রম্পনা ষ্টেট অহুমদা মতেং পাংনবা নেসনল গার্দতা খঙহনখ্রে



ন্যু য়োর্ক, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কোরোনাভাইরস কেস মশিং ৩৩,২৭৬ য়ৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নেসনল গার্দতা কোরোনাভাইরসকী ক্রাইসিস থেংনবদা ন্যু য়োর্ক, কালিফোর্নিয়া অমসুং ৱাশিংটনদা মতেং পাংনবা খঙহনখ্রে।

কোরোনাভাইরস রেস্পোন্সকী মতাংদা পীবা নুংতিগী ওইবা ব্রিফিংদা ট্রম্পনা হায়খি, লোকেল হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা পীরিবা প্রেসর হন্থহনবদা মতেং ওইনবগীদমক্ত ষ্টেট অহুম অসিদা ফ্রী হোস্পিটালশিং শেমগৎ-শাগৎলগনি।

অহেনবা ষ্টেট অনী লুইজিয়ানা অমসুং ওহাইওনা নোংমাইজিং নুমিত্তা সেমি-লোকদাউন লাউথোক্তুনা কোরোনাভাইরস থেংনবগী লান কনশিনখ্রবনি। ষ্টেট অনী অসিনা খোঙথাং অসি লৌখৎত্রিঙৈদা মমাংদা অতৈ ষ্টেট ৫না মীয়ামদা য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈনবগী ওর্দরশিং থোকখ্রবনি।

ষ্টেটশিং অসিনা থৌরাংশিং অসি লৌখৎলকখিবগা লোয়ননা হৌজিক য়ু এসকী মীওই ৪ গী মনুংদা অমদি চেকশিন-থৌরাংশিংগী মখাদা লৈহল্লে। ন্যু য়োর্কগী মেয়র বিল দে ব্লাসিও য়াওনা ষ্টেটশিং অসিগী লুচিংবা কয়ানা নেসনল গার্দ দিপ্লোই তৌবিনবা হায়জদুনা লাকখিবনি। নেসনল গার্দ অসি মিলিটরিগী মখাদা লৈবা অয়াম্বনা সিভিলিয়ন থবকশিং তৌবা ভলন্টিয়রশিংগী ওইবা রিজার্ভ ফোর্স অমনি।

গার্দ অসি লৈবাক মনুংদা অমসুং মপান্দা নেচরেল দিজাষ্টরশিং থেংনবদা শীজিন্নবদা নত্তনা অফঘানিষ্টান অমসুং ইরাক্কুম্বা মপান লৈবাকশিংদসু মিলিটরি মিসনশিংদা দিপ্লোই তৌরি। কোভিদ-১৯ কেস ১৫,৭৯৩ রেকোর্দ তৌরবা ন্যু য়োর্ক ষ্টেটপু ট্রম্পনা ফেদরেলগী মতেং খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা লৌবা য়ারবা অচৌবা দিজাষ্টর এরিয়া অমনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

কালিফোর্নিয়া অমসুং ৱাশিংটন ষ্টেটশিংসু মান্নবা মওংদা লাউথোক্লবগী থৌরাংশিং লৌখৎলক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। ন্যু য়োর্ক ষ্টেটতা নন-ইসেন্সেয়ল বিজিনেসশিং অমসুং ষ্টোরশিং থিংজিল্লিবা অমসুং নন-ইসেন্সেয়ল ওফিসশিংদা থবক তৌবা য়াহন্দ্রিবা অকনবা ওর্দরশিং অদু নোংমাইজিং নুমিদাংদগী চৎনহনখি।

## য়ু কেনা আর্মিগী মতেং লৌখ্রে, য়ুম-য়ুমদা লৈত্রবদি লোকদাউন মায়োক্লগনি হায়না মীয়ামদা ৱার্নিং তৌখ্রে

লন্দন, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :



বৃটেন্না আর্মিবু নিংথৌকাবা নুমিত্তা হোস্পিটালশিংদা প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্ট য়েন্থোকহনখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈননবা অমসুং অমগা অমগা পুনশিন্নদনা লৈনবগী ৱার্নিংশিং ইন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা থৌরাংশিং অসি ইন্দবা তারবদি কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবগীদমক্তা য়াম্না হেন্না কনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি হায়না ৱার্নিং তৌরি।

দোক্তর কয়ানা মখোয়বু ওথোরিটিশিংনা শীজিন্ননিংবা মওংদা শীজিন্নরে হায়না ফোঙদোক্লবা লৈরিঙৈ চৈরক্তা বৃটিশ গভর্নমেন্টনা মিলিটরিবু মাস্ক য়াওনা পর্সনেল প্রোটেক্তিভ ইক্বিপমেন্ট (পি টি ঈ)গী আইটেম মিলিয়ন কয়া অসিগুম্বা পোৎশকশিং ৱাৎপগী কমপ্লেন তৌদুনা লাক্লিবা হেল্থ ক্যের ৱার্করশিংদা য়ৌহনবদা মতেং পাংহনখি।

হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মরম ওইদুনা বৃটিশ মচা ২৮১ শিখ্রে অমসুং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা বৃটিশ ওথোরিটিশিংনা লায়না অসি শন্দোপগী ফিভমদা য়ারিবমখৈ পনখৈ লৈহন্নবা অমসুং মীওই লিশিং কয়া শিখ্রবা অতৈ লৈবাকশিংগা মান্নবা মীশিশিং লৈবাক অসিদা থোকপা থিংনবগী খোঙথাংশিং খোঙজেল থুনা লৌখৎখি।

অদুমওইনমক ফ্রন্টলাইন মেদিকেল ষ্টাফ কাঙবুশিংনা থবক তৌবদা মখোয় হৌজিক সেফ ওইদ্রে হায়রদুনা খুৎলায় কোন্নদবগী অরুবা ফিভম অমা মায়োক্লরে হায়না ৱাকত্তুনা লাক্লি। প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনদা পি পি ঈগী সপ্লাইগী চাং হেনগৎহন্নবা তকশিনবা চেরোল অমদা ফ্রন্টলাইনগী দোক্তর ৬০০০ হেনবনা মখোয়বু ওথোরিটিশিংনা মতমগা চুনদ্রবা মাস্কশিং শীজিন্নহন্দুনা অমসুং ইক্বিপমেন্ট মরাং কায়না পীবা তৌদনা শিরসনু হায়বগুম শাথিরবা লায়না-লাইচৎ মরক্তা থবক তৌহনবিরে হায়না ফোঙদোকখি। হেল্থ সেক্রেটরি মাট হেনকোবনা ইশ্যু খরা লৈরে হায়বা য়ানিংবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎলগনি হায়খি।

## য়ু এসনা ইরানদা কোরোনাভাইরস থেংনবদা মতেং পাংনিংলবদি অথিংবশিং লৌথোক্কদবনি : রৌহানি



দুবাই, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :

ইরাননা কোরোনাভাইরস লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মতেং পাংনিংবা লৈরবদি অথিংবশিং হান্না লৌথোক্কদবনি হায়না ইরানিয়ন প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে অমসুং ৱাশিংটনগী হ্যুমেনেটেরিয়ন মতেংগী ওফর লৌবা পামদে হায়খ্রে।

মীওই ১৮০০ হেন্না শিখ্রবা অমসুং ইনফেক্সন মশিংনা ২৩,০৪৯ য়ৌখ্রবা ইরান অসি মিদল ইষ্টতা কোরোনাভাইরসনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা লৈবাক্লি। লৈবাক অসিগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না মিনিট ১০ খুদিংগী ভাইরস অসিনা মীওই অমমম শিহল্লি।

অমেরিকান লুচিংবশিংনা মচিন থিদুনা লৈরি। মখোয়না ইরানবু মতেং পাংবা পাল্লবদি মখোয়না তৌগদবদি অথিংবশিং লৌথোকপা অসিনি। মদু তৌরবদি ঐখোয়না কোরোনাভাইরস লাইচৎ দিল তৌজবা য়াই হায়না টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা স্পীচ অমদা রৌহানিনা ফোঙদোকখি।

ৱাশিংটন্না মতম শাংনা য়েংথিনরক্লবা লৈবাক অমদা অৱা-অনা নংলবশিংগীদমক্তা মতেং পাংনবা ওফর তৌরকখ্রবসু লৈবাক অসিগী তোপ ওথোরিটি ওইরিবা সুপ্রিম লিদর অয়াতোলা অলি খামেনৈনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ওফর অদু রিজেক্ট তৌখি।

অনৌবা মীওই ১২৭ শিখিবগা লোয়ননা ইরানদা কোরোনাভাইরসনা শিহনবা মী মশিং ১,৮১২ য়ৌরে। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা টেহরান্না কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী পৱারশিংগা খুৎয়েক পীনখিবা ন্যুক্লিয়র দিলদগী ৱিথদ্রো তৌবগা লোয়ননা অথিংবশিং অমুক হন্না থমজিন্দুনা ইরানগী শেল-থুমগী ফিভম কা হেন্না শোকহনখিবদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি। ইরানগী ওথোরিটিশিংনা য়ু এসপু অথিংবশিং থমজিন্দুনা লায়না-লাইচৎ অসি থেংনবদা খুৱৌ থাংহল্লে হায়না মরাল শীরিবনি।

## কোঙ্গোগী মাইনিং প্রোভিন্স পুং ৪৮ লোকদাউন তৌরগনি

কিন্সাসা, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :



কোরোনাভাইরস চাংয়েংদা মীওই অনী পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনবদগী কোঙ্গোগী ওথোরিটিশিংনা কোপর অমসুং কোবাল্ট মরাং কায়না ফংবা মফম অমা ওইরিবা হাউট-কতঙ্গাদা নুমিৎ নিনিগী লোকদাউন লাউথোক্লে হায়না প্রোভিন্স অসিগী গভর্নর জেক্স কিয়াবুলা কাটৱেনা ফোঙদোকখ্রে।

মাইনিং হব লুবুম্বাসিনা কেপিটেল ওইরিবা খা নোংপোক থংবা প্রোভিন্স অদুগী ঙমখৈশিংসু থিংজিল্লগনি হায়না মহাক্না নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা ফোঙদোকখি।

মফম অদুদা থবক তৌরিবা মাইনিং কম্পনিশিংগী মনুংদা ইভানহো, এম এম জি লিমিটেদ অমসুং চেমাফ য়াওরি। মহাক্কী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তগী মিলিটরি, পুলিস, মেদিকেল ষ্টাফ অমসুং ওথোরাইজ সিভিল সার্ভেন্টশিংদমক প্রোভিন্স অদুদা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াহনগনি।

মখোয় নত্তনা ট্রক নৎত্রগা সাইকলনচিংবা শীজিন্নদুনা চৎথোক-চৎশিন তৌবা পুম্নমক থিংলগনি। ষ্টেট অসিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা নেসনল কেপিটেল কিন্সাসাদগী লুবুম্বাসিদা পাইখিবা প্লেনদা তোংলিবা মীওই ৭৫ কদায়দা থমগদগে হায়দুনা মফম থিদুনা লৈরিবনি। পেসেঞ্জরশিং অদুগী মনুংদগী মীওই অনী কোরোনাভাইরসকী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরমখি।

কেস অনী অসিগা লোয়ননা দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী কনফার্ম তৌরবা কোরোনাভাইরস কেস মশিং ৩০ য়ৌরে অমসুং হৌজিক ফাওবদা ভাইরস অসিনা মীওই অমা শিহনখ্রে। গভর্নরনা ত্বিটরদা থাগৎপা ভিদিও পোষ্ট অমদা মীওইশিং অদু হৌজিক য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈননবা অমসুং মেদিকেল সর্ভিসশিং কন্টেক্ট তৌনবা খঙহনখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

পুং ৪৮গী অথিংবা মতম অসিদা হাউট-কতঙ্গাদা কনামত্তনা মাইনিংগা মরী লৈননা থবক অমত্তা তৌবা য়ারোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## সাউদি অরাবিয়াদা কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রে, য়ু এ ঈনা ফ্লাইটশিং লেপহনখ্রে





দুবাই, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :

সাউদি অরাবিয়াদা কোরোনাভাইরস কেস মশিং শরুক মরি থোকপগী অমা খঙহেন হেনগৎলকপদগী নিংথৌকাবা নুমিত্তগী লৈবাক অসি শীন-থুংনা কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ অরাব এম্মিরেটসনা পেসেঞ্জর ফ্লাইট খুদিংমক য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী লেপ্লগনি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিং হায়রি।

সাউদি নিংথৌ সালমান্না কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা তপথহন্নবগীদমক নুমিৎ ২১নি চুপ্পা নুমিদাং পুং ৭ তগী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা কিংদম অদুদা কর্ফিয়ু থম্নবা ওর্দর তৌখ্রে হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি এস পি এগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

গল্ফ কোওপরেসনগী লৈবাক তরুক্তা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন ১,৭০০ হেন্না রোকোর্দ তৌখ্রে অমসুং ভাইরস অসিনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪ শিহনখ্রে। কাউন্সিল অসিগী মনুংদা কনফার্ম তৌরবা কেস মশিং ৫১১গা লোয়ননা সাউদি অরাবিয়ানা লৈবাক ৬কী মনুংদা কোরোনাভাইরসকী চৈথেং চাওনা নংলি।

মরু ওইবা এয়র ট্রাঞ্জিট সেন্টর অমা ওইরবা য়ু এ ঈনা চয়োল অনী চুপ্পা লৈবাক অসিদগী পাইথোক-পাইশিন তৌগদবা পেসেঞ্জর অমসুং ট্রাঞ্জিট ফ্লাইট খুদিংমক লেপ্পবগী খোঙথাং লাউথোকখ্রে হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি দব্লিয়ু এ এমনা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, কার্গো ওপরেসনশিংদি লেপ্লোই হায়রি।

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা লমশাং পাইবা এয়রলাইনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ষ্টেটনা চল্লাইবা এমিরেটসনা মমাংদা মপানগী সিটিজনশিং পুবা ফ্লাইটশিং লৈবাক ১৩ দা পাইবা নত্তনা চয়োল অসিদগী পেসেঞ্জর ওপরেসনশিং লেপ্লগনি হায়খ্রবনি।

হৌজিক ফাওবগী থৌরাংশিংদা য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবদা য়ু এ ঈনা সোপ্পিং অমসুং কর্মসিএল সেন্টরশিংসু থিংলিবনি।

## অফঘান পোলিটিকেল রাইভেলশিং উননবা পোম্পিও কাবুলদা থুংখ্রে

কাবুল, মার্চ ২৩ (এজেন্সি) :



ৱাশিংটন অমসুং টালিবানগী মরক্তা হৌখিবা ফেব্র্যৱারিদা য়ানখিবা হিষ্টোরিক দিল অমা কন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংনবগীদমক্তা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও হান্না লাউথোকখিদবা খোঙচৎ অমদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অফঘান কেপিটেল কাবুলদা থুংখ্রে।

পোম্পিওনা প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানি অমসুং মতম শাংলক্লবা মহাক্কী পোলিটিকেল লম্বা ওইরিবা অব্দুলা অব্দুলাগা উনগনি। অব্দুলা অব্দুলানা হৌখিবা সেপ্তেম্বরদা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্টমীখলগী রিজল্ট শীংনদুনা লৈবাক অসিদা পেরেলেল গভর্নমেন্টশিং শেম্লকপা য়াবগী ফিভম অমা লাকহনখিবদগী টালিবানগা নিগোসিএসন চত্থনবগী টিমশিং খনবদা অকায়বা থোকহনখিবনি।

মহাক্কী খোঙচৎ অসি চয়োল কয়া হৌখ্রবা পোলিটিকেলগী লৈখায় তাদবা ফিভম অসি লোইশিন্নবগী লংলা-লংজিন ফংহনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়না ওবজার্ভরশিংনা য়েংশিল্লবনি। পোম্পিওনা মীওই অনী অসি তোঙান-তোঙান্না উনরবা মতুংদা পুন্না অমুক উনদুনা ৱারী শানগনি।

টালিবান প্রিজনরশিং থাদোকপগী মতাংদা লৈরিবা য়ানদবা ৱাফম অমসুং পোলিটিসিয়ন অনী অসিগী মরক্তা অমগা অমগা মুক্নদুনা লৈরিবা অসিনা টালিবান অমসুং অফঘান গভর্নমেন্টকী মরক্তা চত্থরিবা ৱাতেন্থগী থবক্তা অকায়বা থোকহনখি।

পনবা য়াবদি, অফঘান গভর্নমেন্ট অসি দোহাদা খুৎয়েক পীনখিবা য়ু এস-টালিবান দিলদা পার্টি অমা ওইদে। হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৯দা খুৎয়েক পীনখিবা দিল অদুগী পান্দমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শোক্নরিবা মতম শাংলক্লবা অফঘান লান লোইশিলহনগদবা মওংদা অফঘানিষ্টানদগী ফোরেন ট্রুপশিং লৌখিনবগীদমক পেক্ট অমা য়াওনা টালিবানগা অফঘান গভর্নমেন্টগা ৱারী শানবগী লম্বী ফাৎপনি।